

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, WEDNESDAY, JUNE 7, 2017 **PAGE 7**




*জমর্নিগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব বোরুসিয়া দোর্টমুন্দগী অনৌবা কোচকী থৌদাং কুমজা ২০১৯ ফাওবা লৌগদৌরিবা মশাগী চহী ৫৩ শুরবা নেদরলেন্দস মচা পিটর বোসজ*

*থা অসিগী ২৮ দা লন্দনদা পাঙথোক্কদৌরিবা গোল্ডন স্পাইক এথলেটিক চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন জমাইকাগী উসেন বোল্ট*

## সন্দেস ঝিংগম অমদি জে জে লালপেখুলুৱাগী পাঞ্জলনা নেপালবু ইন্দিয়ানা ফ্রেন্দলি মেটচ অমদা পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে



*নেপালগা শান্নখিবা ফ্রেন্দলি মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা নেপালগী মায়কৈন্দা পাঞ্জল চল্লমদাইগী মতাং অমা*

*মুম্বাই, জুন ৬ ঃ*

মুম্বাইগী অন্ধেরি স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ইন্দিয়া অমসুং নেপালনা শান্নখিবা ফ্রেন্দলি মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী সন্দেস ঝিংগম অমদি জে জে লালপেখুলুৱানা চনখিবা পাঞ্জলনা নেপালবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফকী শান্নবগী মতম অয়াম্বদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা হেন্না খুদুম চন্দুনা শান্নবা হৌরকখি। মতম কুইনা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং শান্নবগী ৩৫ শুবা মিনটতা মণিপুরদগী হৌখিবা জেকিচান্দনা পীরকপা য়াম্না ফজবা ক্রোস অমা রোবিননা হেদ্দিং তৌবদা গোল্ড পোষ্টকী নাকন্দা চৎখিবদগী পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা মাঙজখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অমনা অমগী মায়োক্তা বোল পুশিন্নদুনা এটেক কয়া তৌনখ্রবসু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদনা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদসু ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথ্থরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী মরুওইবা শান্নরোই অমা ওইরিবা ঝিংগমনা নেপালগী গোল কিপর কিরন কুমার লিম্বুবু মায়থিবা পীদুনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু ওইখি।

পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাবা ঙম্লবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং অদুনা অহেনবা পাঞ্জল থিদুনা নেপালগী মায়োকৈদা এটেক চথ্থবা হেন্না কনশিল্লকখি।

শান্নবগী ৭৯ শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী রাফিকনা পীরকপা য়াম্না ফজবা পাস অমা টিমমেট জে জে লালপেখুলুৱানা বোল অদু নীংথিনা কন্ট্রোল তৌরগা নেপালগী গোল পোষ্ট তম্না কাউশিনখিবদা পাঞ্জল ওইখিবদগী ইন্দিয়ানা নেপালবু ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা অনীশুবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা নেপালগী শান্নরোইশিংনা তৌরকখিবা পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা এটেক অনী ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা ঙাকথোক্কুনা পাঞ্জল ওইবগী খুদোংচাবা পীখিদে।

ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনসু মেটচকী লেমহৌবা মতমশিং অদুনা এটেক কয়া তৌখ্রবসু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিদবদগী ফ্রেন্দলি মেটচ অদু ইন্দিয়ানা নেপালবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিম অসিনা অনীশুবা ফ্রেন্দলি মেটচ ওইনা কির্জিজ রিপব্লিক্কা বেঙ্গালুরুদা হয়েং শান্নরগনি।

## বোপানা অমদি দাব্রোস্কিনা সনিয়া অমসুং দোগিগকী জুরা মায়থিবা পীদুনা ফ্রেঞ্চ ওপনগী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে

*পেরিস, জুন ৬ ঃ*

চহী অসিগী অনীশুবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মিক্স দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমদি কানাদাগী গাব্রিয়েল দাব্রেস্কিনা ইন্দিয়াগী সনিয়া মির্জা অমদি ক্রোএসিয়াগী ইভান দোগিগকী জুরাবু মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা ৭ শুবা সিদেদ জুরা ওইনা শরুক য়ারকখিবা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং কানাদাগী জি দাব্রোস্কিনা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ জুরা ওইখিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপীগী শান্নরোই সনিয়া মির্জা অমসুং ক্রোএসিয়াগী ইভান দোগিগপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৩, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

বোপানা অমসুং দাব্রোস্কিনা সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা সিদেদ জুরা জেক রিপব্লিক্কী এ লাভাকোভা অমসুং ফ্রান্সকী ই রোজর ভেসেলিননা সর্ভিয়াগী এ ক্লেপাক অমসুং গ্রেট বৃটেনগী দি ইং লোটপু ৭–৬(৭–৩), ৬–৩ দা থোইরম্বনি।

ঙসি নোংনা মরম ওইরগা ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী মরুওইবা মেটচ কয়া শান্নবা ঙমখিদবা অদুগী মাঙওইননা নোং লাক্ত্রিঙৈদা লোইশিলহৌবা নুপীগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অনীদা লাটভিয়াগী জেলিনা ওস্টাপেঙ্কো অমসুং স্বিজরলেন্দগী টিমিয়া বাকসিনস্কিনা মখোয়গী থাক ৱাংনা লৈখিবা শান্নরোই অনীবু মায়থিবা পীরগা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

সিদিং ফংদনা শরুক য়ারকখিবী লাটভিয়াগী জেলেনা ওস্টাপেঙ্কোনা দেনমার্ককী টুর্নামেন্ট অসিদা ১১ শুবা সিদেদ ওইরকখিবা কেরোলিন ৱোজনিয়াকিবু ৪–৬, ৬–২, ৬–২ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অমরোমদা ৩০ শুবা সিদেদ ওইনা শান্নরকখিবী স্বিজরলেন্দগী টিমিয়া বাকসিনস্কিনা ১৩ শুবা সিদেদ শান্নরোই ফ্রান্সকী কৃষ্টিনা লাদেনোভিসপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৪, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা য়ুক্রেনগী ইলিনা স্বিটোলিনাগা ক্বার্টর ফাইনেল শান্নগনি। অদুগা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভাগা ফ্রান্সকী কেরোলিন গার্সিয়াগা শান্নগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল শান্নগদবা শান্নরোইশিংগী মমিং খঙখ্রে।

নম্বর ৱান এন্দি মুরেনা নম্বর ৮ নিসিকোরিগা শান্নগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিস অমসুং ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমগা লম্বা তৌনরগনি।

স্পেনগী শান্নরোই অনী রাফেল নদাল অমসুং পাব্লো বুষ্টা শান্নরবা মতুং অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা স্বিজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিনকনা অমদি ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিক্কা শান্নগনি।



*ফ্রেঞ্চ ওপনগী মিক্স দবলসকী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা*

## পেট্রোলিয়ম স্পোর্টস প্রমোসন বোর্দনা তেলঙ্গনা হোক্কিবু পাঞ্জল ১৬–০ দা অদুগা সিআরপিএফনা অন্দমান এন্দ নিকোবরবু পাঞ্জল ২১–১ দা থোইখ্রে



*লক্ষ্ণৌ, জুন ৬ ঃ*

উত্তর প্রদেশকী লক্ষ্ণৌদা লৈবা মেজর ধ্যানচান্দ ষ্টেদিয়মদা ঙসিদগী হৌখিবা ৭ শুবা সেনিয়র নেসনেল হোক্কি চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭ কী নীনিশুবা নুমিৎতা শান্নখিবা গ্রুপ (এ) গী মেটচ অমদা পেট্রোলিয়ম স্পোর্টস প্রমোসন বোর্দনা তেলঙ্গানাবু পাঞ্জল ১৬–০ দা মায়থিবা পীখি। অদুগা গ্রুপ (বি) গী অতোপ্পা মেটচ অমদা অন্দমান এন্দ নিকোবরবু পাঞ্জল ২১–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ইন্দিয়াগী তোঙান–তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী লাকপা অমদি কোর্পোরেট ওর্গনাইজেসনশিংগী ওইবা টিম ৩৫ না শরুক য়ামিন্নদুনা পাঙথোক্লিবা ৭ শুবা বি–দিভিজন সেনিয়র নেসনেল মেন্স হোক্কি চেম্পিয়ন্সিপকী ঙসি নিনিশুবা নুমিৎ অদুদা পেট্রোলিয়ম স্পোর্টস প্রমোসন বোর্দনা পুল এ গী মেটচ অমদা তেলঙ্গনা হোক্কিবু পাঞ্জল ১৬–০ দা মায়থিবা পীখি।

মদুগী মতুং শান্নখিবা গ্রুপ (বি) গী মেটচ অমদা সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্সনা অন্দমান এন্দ নিকোবরবু পাঞ্জল ২১–১ দা য়াম্না চাউনা মায়থিবা পীবা ঙমখি।

ঙসিগী অহানবা মেটচতা হোক্কি হিমাচলনা হোক্কি অন্দ্র প্রদেশপু পুল বি গী মেটচ অমদা পাঞ্জল ৩–২ দা থোইখি। ঙসি পুল এ গী অতোপ্পা মেটচ অমদা মেজর পোর্ট স্পোর্টস কন্ট্রোল বোর্দনা হোক্কি রাজস্থানবু ১–০ দা থোইখি।

পুল সিগী মেটচ অমদা হোক্কি সিওওআরজিনা বিদরভা হোক্কি এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ৩–২ দা মায়থিবা পীরগা স্পোর্টস ওঠোলিটি ওফ গুজরাট হোক্কি একাদেমীনা পুল সিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা হোক্কি উত্তরখন্দবু পাঞ্জল ৩–২ দা থোইখি।

হয়েং হোক্কি মহরাস্ত্র অমসুং হোক্কি রাজস্থান, দিল্লি হোক্কি অমসুং সিআরপিএফ লোয়ননা সেন্ট্রেল ইন্দষ্ট্রিয়েল সেক্যুরিটি ফোর্স অমসুং হোক্কি সিওওআরজি শান্নগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা মণিপুর হোক্কিনা মখোয়গী পুল বি গী অহানবা মেটচ অদু থা অসিগী ৯ দা হোক্কি মধ্য ভারতকা লম্বা তৌনগনি।

## নেসনেল সব–জুনিয়র রোৱিং চেম্পিয়ন্সিপ ঙসিদগী হৌরগনি



*কোলকতা, জুন ৬ ঃ*

লৈবাক অসিগী ষ্টেট ১৭ তগী লাকপা রোৱর ৪০০ হেনবনা কোলকতাগী রবিন্দ্র সরোৱরদা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা নেসনেল সব–জুনিয়র রোৱিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ারগনি।

কম্পিটিসন অসি চহী ১৩ অমসি চহী ১৫ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী ওইনা সিঙ্গলস অমসুং দবলস স্কলস লোয়ননা পিয়র অমসুং রোৱর মরিগী লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

কোলকতাগী রবিন্দ্র সরোবরদা পাঙথোক্কদৌরিবা সব–জুনিয়রগী রোৱিং কম্পিটিসন অসিদা মায় পাক্লকপা রোৱারশিং অদুনা চহী অসিগী অরোইবদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল জুনিয়র চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াবা ঙমগদৌরিবনি।

হায়রিবা কম্পিটিসন অদুদা ফজরকপা নহা ওইরিবা রোৱরশিংনা হায়দরবাদতা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল জুনিয়র রোৱিং কেম্পতা শরুক য়াবা য়াবগী খুদোংচাবা অদু ফংগদৌরি।

নহা ওইরিবা রোৱরশিং শেমগৎলকপা অসি লাক্কদৌরিবা থা খরা অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান অমসুং ৱার্ল্ড জুনিয়র ইভেন্টশিংদা শরুক য়ানবগী শেম শাবা ওইরি হায়না রোৱিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরী গিরিস ফাদনিসনা ঙসি পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখি।

কোলকতাগী রবিন্দ্র সরোভরদা পাঙথোক্কদবা নুমিৎ ৪ নি চুপ্পা লম্বা তৌনগদৌরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসি চেলেঞ্জর স্প্রিন্ট নেসনেল রোৱিং চেম্পিয়ন্সিপকা মতম চপ মান্নগদৌরি। মদুদা মমাঙগী নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ্তা মেডল ফংহৌদবশিংনা শরুক য়াবা য়াগনি হায়রি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।


